# সিয়াইট দিষ্ট্রিক্টতা সুইসাইদ কার বোম্মিং চথদুনা মীওই ১১ হাৎখ্রে



বাঘদাদ, জুলাই ১২ (এজেন্সী) ঃ
ঙসি অয়ুক বাঘদাদকী সিয়াইটশিংনা মশীং য়াম্বা নোর্থ ইষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈবা আউটদোর মার্কেট অমদা সুইসাইদ কার বোম এটেক অমা চথবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ইরাকি কেপিটেলগী অয়াম্বা মফমশিংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং চাইথোক্তুনা থল্লিঙৈ অমসুং সীটি অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মরু ওইবা লম্বীশিং থিংজিন্দুনা থল্লিঙৈদা কার বোম এটেক অদু চথরকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ক্লেম তৌখিবা অচৌবা এটেক অনীদা মীওই ৩০০ হেন্না শিখিবা মতুং ইকান কান্নদনা ঙসিগী দিভলপমেন্টশিং অদু লাকখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবদা লৈবাক অদুদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশ কার্টরনা হায়খি, আই এসকা লাল শোক্লবদা মতেং পাংনবা ৱাশিংটননা ইরাকতা ট্রুপ ৫৬০ হেন্না থারগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী বোম্মিং অদুদা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা পিকঅপ ট্রক অমা অয়ুক্কী মী চিনবা মতমদা অল-রশিদিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনা-মশিং অমসুং হৈ-রাগী কৈথেল অমদা পোকখায়খি হায়না পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি। বোম্মিং অদুদা মীওই ১১ শিখি অমসুং মীওই ৩২ ফাওবা শোকখি। ব্লাষ্ট অদুদা কার কয়ামুকসু অকায়-অতোয় থোকখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মেদিকেল ওফিসল অমনা অশিবা অমসুং অশোকপশিংগী মশীং কনফার্ম তৌখ্রে। মিদিয়াদা ফোঙদোকপগী অয়াবা পীদবা মরম্না ওফিসল অনীমক্না মখোয়গী মশক মমিংশিং তাকথোকহনখিদে। এটেক অদুবু গ্রুপ অমত্তনা খুদক্কী ওইনা ক্লেম তৌরকখিদে। তৌইগুম্বসুং মদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী থবক খুৎতৌগী মমি তাই হায়রি। সিয়াইটশিংবু তোপ-তোপ্পা লাইনিং লম্বী চৎপা কাঙবুশিংনি হায়না লৌরিবা সুনি এক্সট্রিমিষ্টশিংদুনা হৌখিবা ২০১৪ গী কালেন্থাদা নোরদর্ন অমসুং ৱেষ্টর্ন ইরাকতা অথিংবা অমত্তা থোক্তনা থোমজিনখি। মখোয়না পাক চাউরবা লম কয়া খুদুম চনশিনবগা লোয়ননা লৈবাক অদু কুমজা ২০১১ গী অরোইবা শরুক্তা য়ু এস ট্রুপশিংনা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎখিবা মতুংদা খ্বাইদগী শাথীবা ক্রাইসিস মায়োক্নরকখি।

হৌখিবা চয়োলদা আই এসনা এটেক অনী চথদুনা মীওই ৩০০ হেন্না হাৎখি। বাঘদাদকী সিয়াইটশিংনা নম্না লৈবা কারাদাগী মী চিনবা কম্মর্সিয়েল এরিয়া অমদা অচৌবা ট্রক বোম্মিং অমা চথখি। মীওই ২৯২ শিখিবা এটেক অদু ২০০৩ দা য়ু এসনা লুচিংদুনা ইরাক্তা লান্দাখিবা অদুগী মতুংদা চথবা খ্বাইদগী শাথীবা এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা সিয়াইট খূভম অমদা চথখিবা এটেক অমদা মীওই ৩৭ শিখি। নিংথৌকাবদা ইরাকি গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিং বাঘদাদ শিন-থুংনা দিপ্লোইদ তৌখি, মরু ওইবা লম্বীশিং থিংজিনখি অমসুং ত্রেফিক ফেল ওইখি। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন বৃগেদিয়র জেনরেল সাদ মাননা হায়খি, তাংদাংবা মিসন অমগীদমক্তা ট্রুপশিং অদু প্লান মিলিটরি পেরেদতা শরুক য়ানবা প্রেক্টিস তৌখিবনি। মাননা করম্বা মিসন নৎত্রগা থবক্লো হায়বদুদি পনখিদে, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুনা ১৯৫৮ দা হাশেমিট মোনার্কি ইন্থুখিবগী অমসুং ইরাকপু রিপব্লিক অমা ওইনা লাউথোকখিবগী কুমওন থৌরম শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি।

হন্দক্তা আই এসকী এটেকশিং ফ্রন্ট লাইনশিংদগী হেন্দোক্লা চথরকখিবা অসিনা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লম খরা মাঙজখ্রবসু আই এস গ্রুপনা মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা ঙম্বা শাথীরবা এটেক কয়া চথবা ঙমই হায়বদু উৎখ্রে। কালিফেট অমা লাউথোকখ্রবা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা আই এস মিলিটেন্টশিংনা নোরদর্ন অমসুং ৱেষ্টর্ন ইরাক্তা লম খরা হৌজিকসু পায়শিন্দুনা লৈরি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনখিবা কার্টরগী মতুং ইন্না, অনৌবা অমেরিকান ফোর্সশিং মথংগী চয়োল খরা অসিদা ইরাক্তা য়ৌরকপা য়াই। মখোয়দা শীন্নগদৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংদি থা অসিদা আই এসতগী নৌনা লৌশিনখিবা এয়রবেজ অমবু মতম শাংনা ঙাইরক্লবা ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সীটি মোসুলবু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী নৌনা লৌশিন্নবা এটেক চথনবগী হব অমা ওন্থোকপনি।

# দেবিদ কেম্মরন ঙসি রিজাইন তৌরগনি টেরীসা মেনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি





লন্দন, জুলাই ১২ (এজেন্সী) ঃ
বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরন ঙসি মফম থাদোক্লগনি। খোঙথাং অসিনা হোম সেক্রেটরি টেরীসা মেবু লৈবাক অদুগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্নবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়রি।

টেরীসা মেবু কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী লীদর অমসুং কেম্মরনগী মহুৎ শীনবা ওইনা ওফিসিয়েল্লি লাউথোক্লে অমসুং মসি খুদক্তগী চৎনরগনি হায়না ১৯২২গী কম্মিটিগী চ্যের গ্রাহম ব্রাদিনা হায়খি। কম্মিটি অদু পার্টিগী লীদর খন্ননবা পার্লিয়ামেন্টগী মরু ওইবা মেম্বরশিংগী গ্রুপ অমনি। মহাক্না য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা কেম্মরনগী মহুৎ শীনগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদুগীদমক্তা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা লেমহৌরিবা চেল্লেঞ্জর ওইরিবা জুনিয়র ইনর্জি মিনিষ্টর অন্দ্রী লেদসমনা কন্টেষ্ট অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবদগী হোম সেক্রেটরি মে, ইন্টরিয়র মিনিষ্টরবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সেন্টর রাইট কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী অনৌবা লীদর ওইনা লাউথোকখি।

হৌখিবা জুন ২৩ দা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দমদা মহাক্না লুচিংখিবা বৃটেননা ঈ য়ুদা মখা তানা লৈনবগী কেম্পেইননা মায়থীখিবা মতুংদা কেম্মরননা মফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

টেরীসা মেনা বৃটেননা ঈ য়ুদা লৈবগী ৱাফম শৌগৎখিবা ওইরবসু রেফরেন্দমগী কেম্পেইন অদুদা মহাক্না য়াম্না ঈচং থৌবা উৎখিদে অমসুং মীয়াম্না লৌরকপা ৱারেপ্তু মহাক্না শৌগৎকনি হায়খি।

মহাক্না লুচিংবা ওইবগী ৱাফম কনফার্ম তৌরবা মতুংদা মেনা হায়খি, মহাক্না ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবকশিংদি ভোটরশিংনা হৌখিবা থাদা এপ্রুভ তৌখিবা মওংদা বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোক্লবা থবক পায়খৎপা, লৈবাক অদুগী অমত্তা ওইবগী লিপুন চেৎশিনহনবা অমসুং খুদোংচাবা পীরবা অখন্নবা মীওই খরখক্কীদা নৎতনা মীপুম খুদিংমক্কী ওইনা তুংগীদমক মপাঙ্গল লৈবা, অনৌবা, পোজিটিভ ভিজন অমা শেম্বনি।

পার্লিয়ামেন্টগী মপানদা পীখিবা অতেনবা কম্মেন্টশিংদা মেনা বৃটেননা ঈ য়ুদগী তোকপদা লৈবাকসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা দিল অমা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

জর্ম্মন চান্সল্লর এঞ্জেল্লা মর্কেলনা নিংথৌকাবগী অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ কিংদমনা তুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা করম্বা মরী থম্নগদগে হায়বদু থুনা শেংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খিবনি।

# স্কুলদা মহৈরোয় অমসুং ওজাশিং হাৎখিবগী মাষ্টরমাইন্দ শিরে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১২ (এজেন্সী) ঃ
হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরদা পেশৱারগী আর্মি পব্লিক স্কুলদা চথখিবা তোরাতুনা মী হাৎপগী থৌদোক্কী মাষ্টরমাইন্দ অদু অফঘানিষ্টানদা য়ু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমা চথদুনা হাৎখ্রে হায়না পাকিষ্টানগী সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌখ্রে।

ওফিসলশিংদুনা নিংথৌকাবদা দোন পাউচেদা ফোঙদোকখি মদুদি, উমার মনসৌর কৌবা মীওই অদু কারি সাইফুলা কৌবা অতোপ্পা মিলিটেন্ট অমগা লোয়ননা হৌখিবা থাংজদা অফঘানিষ্টানগী নঙ্গরেহর প্রোভিন্সকী বান্দর এরিয়াদা য়ু এসনা দ্রোন এটেক চথদুনা হাৎখ্রে।

ওফিসলশিংদুগী মনুংদগী অমনা হায়খি, মনসৌরবু সাইফুলা হায়রিবা সুইসাইদ বোম্মরশিংগী চার্জ পুবা মীওই অসিগা লোয়ননা হাৎখিবগী থাজনিংঙাই ওইবা রিপোর্টশিং মখোয়দা লৈরে। “ঐখোয়দা লৈরিবসি থাজনিংঙাই ওই” হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

হৌখিবা মে ২৫ দা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা উমার মনসৌরবু গ্লোবেল টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু হিট-লিষ্টতা য়াওহন্নবগী লম্বী ফাৎখি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখিবা অদু হৌখিবা মে ২১ দা অফঘান টালিবান লীদর অখটর মনসৌরবু পাকিষ্টানগী বেলোচিষ্টানদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা হাৎখিবা নুমিৎ মরিনি লৈরগনি।

হৌখিবা ২০১৪ গী দিসেম্বর ১৬ তা উমার মনসৌরনা শীন্দুনা পেশৱারদা লৈবা আর্মিগী পব্লিক স্কুলদা শাথীরবা এটেক অমা চথদুনা মহৈরোয় ১২২ অমসুং ওজা ২২ হাৎখি। মদু খ্বাইদগী ফৎত্রবা মওংগী টেররিষ্ট এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী টেররিষ্ট আউটফিটশিংগী মায়োক্তা লৈবদগী পাঙ্গল খুদিংমক শীজিন্নগদবা মপুং ফাবা লাল অমা লাউথোকখি।

মনসৌর অমসুং সাইফুলা টেররিষ্ট অনী অসি টেহরীক-ঈ-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) টারিক গীদর গ্রুপকী মেম্বরশিংনি। মখোয়না পেশাৱার, মসিগা তায়নবা ফ্রন্টিয়র রিজন অমসুং দারা অদমখেলদা ওপরেট তৌরম্মী।

খাইবর ট্রাইবেল রিজনদা মিলিটরি ওপরেসন অমা চথবদগী উমার মনসৌর অফঘানিষ্টানদা চেনখি অমসুং মফমদুদগী লেপ্তুনা ওপরেট তৌখি।

# নেপালগী সী পি এন (এম-সী) ওলি গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা তোকখ্রে

কথমন্দু, জুলাই ১২ (এজেন্সী) ঃ
কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (মাওইষ্ট-সেন্টর)না নিংথৌকাবদা কে পি শর্ম্মা ওলি গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা তোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে। পার্টিগী লুচিংবশিংগী মীফমনা ওলি গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা তোক্লবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

পার্টিগী চ্যেরমেন পুশপা কমল দহল “প্রচান্দা” না গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা তোক্লবা লৌরিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা ওলিদা চে অমা ইথি হায়না কথমন্দু পোষ্টনা ফোঙদোকখি।

পার্টিগী লীদরশিং জনার্ধন শর্ম্মা অমসুং হিতারাজ পান্দেনা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা তোক্লবগী লেট্টরশিংদুগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী রেসিদেন্স ‘বালুৱাটর’ অমসুং প্রসিদেন্টগী রেসিদেন্স ‘শীলৈ নিৱাশ’তা চৎখি।

পার্টিগী অতোপ্পা লীদর, কৃষ্ণ বহাদুর মহারানা লেট্টর অদু পার্লিয়ামেন্টগী স্পিকর ওন্সারি ঘার্টি মগরদা পুখি।

লেট্টর অদুদা ইথি মদুদি, সী পি এন (এম-সী)না হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা তোক্লনবা ৱারেপ লৌরিবদু ময়াম পুন্বনা য়ানবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বদা খুদোংচানবগীদমক্তনি হায়না পোষ্ট অদুনা হায়খি।

সী পি এন (এম-সী)না মসিগী চ্যেরমেন পুশপা কমল দাহলদা নেসনল কন্সেন্সস গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী ইনিসিয়েটিভ লৌননবা ওথোরাইজ তৌখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (য়ুনিফাইদ মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট) তা মমাঙদা পার্টিগা য়ানখিবা খুদিংমক মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা তকশিনখি।

মমাঙদা মে ৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলিনা লুচিংবা থা তরেৎ শুবদা ঙাইরিবা গভর্ণমেন্ট সী পি এন (এম-সী) না শৌগৎপা তোক্লগনি হায়না খঙহনবদগী কায়বা য়াবগী চপ চাবা ফীভম অমা মায়োক্লখি।

টৈঁষ গংঅঅংড্রেগোঁট/ MULTIPLE JOB VACANCIES

FOR EX-SERVICEMEN

| SL.No. | NAME OF POST | AGES | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | Upto 50 yrs | 13000/- & above |
| 2. | Security Supervisor/Gun Man | Upto 50 yrs | 14500/- & above |
| 3. | Security officer/Asst. security officer | Upto 50 yrs | 16000/- |
| 4. | Training Instructor | Upto 50 yrs | 18000 to 30000/- |

| SL.No. | NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | VIII & X passed | 5000/- to 9000/- |
| 2. | Security Supervisor | XII passed | 6000/- to 12000/- |
| 3. | Cook/Housekeeping | VIII passed | 4000/- to 7000/- |
| 4. | Attendent/Receptionist | X & XII passed | 4000/- & above |
| 5. | Driver | VIII & X passed | 5000/- to 16000/- |
| 6. | Home Tutor | XII & above | Negotiable |
| 7. | ANM/GNM/Bsc Nursing/ Lab-Tech/ECG/X-ray tech. | XII & above | Negotiable |
| 8. | Accountant (Tally) Finance Advisor/ Finance Consultant/Loan Recovery | XII & above | Negotiable |
| 9. | Manager/Asst. Manager | Graduate | 7000/- to 25000/- |
| 10. | Bank BO/BM/RM/SDM | Graduate | 18000/- & above |
| 11. | Electrician/Mechanic | VIII & above | 5000/- & above |

AIRLINES JOB VACANCIES

| SL.No. | NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Cabin Crew/Air Hostess | XII & above | 40000/- & above |
| 2. | Ground Staff/Air ticketing | XII & above | 25000/- & above |
| 3. | Trolly/Loader/Billing | X & above | 14000/- to 18000/- |

**Last Date of Form Submission : 18/07/2016**
**Interview Date : 20/07/2016**

For, **LIFE CARE JOB CONSULTANCY**
RIMS Road, Opp. Nityainanda Temple
Regd. no. 14/006/21/04170/Micro part-I
HL-P/9056/ 10-16 July
Please Contact : ☎ : 9615818349 / 9774828062 / 9774774368

# পাকিষ্টাননা টেরর প্রোক্সিশিং শীজিন্নবনা মালেমদা ইস্লামিক এক্সট্রিমিজম শন্দোকপদা মতেং পাংই : হান্নগী য়ু এস দিপ্লোমেট

ৱাশিংটন, জুলাই ১২ (এজেন্সী) ঃ
পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াবু কিহনবা য়াওনা এক্সট্রিমিষ্ট অমসুং টেররিষ্ট প্রোক্সিশিং শীজিন্নবা অসি মালেমদা ইস্লামিক টেররিজম শন্দোরক্লিবসিগী অচৌবা মরম অমনি হায়না হান্নগী য়ু এসকী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট অমনা ঙসি হায়খ্রে। মহাক্না পাকিষ্টানবু টেররিজম শৌগৎপা লৈবাক অমা ওইনা খঙননবা রেকমেন্দ তৌখি।

“পাকিষ্টানগী পোলিসি অসি অফঘানিষ্টানদা হৌজিক লৈরিবা মুক্নবগী ফীভমগী মরু ওইবা হৌরকফমনি। হেন্না শন্দোক্না হায়রবদা ইন্দিয়াদা অকিবা পোকহনবা য়াওনা পাকিষ্টাননা এক্সট্রিমিষ্ট অমসুং টেররিষ্ট প্রোক্সিশিং শীজিন্নরিবা অসি হৌজিক মালেম্না মায়োক্নরিবা ইস্লামিক এক্সট্রিমিজমগী মরু ওইবা হৌরকফমনি” হায়না অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা অমেরিকান পোলিসি শেম্বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা জলমে খালিলজাদনা হায়খি। অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা পোলিসিদা নৎতনা মহাক্না ৯/১১ গী মতুংদা পাকিষ্টান অমসুং ইরাক্কা মরী লৈনবা পোলিসিশিং শেম্বদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।



“মালেমদা টেররিজম অমসুং এক্সট্রিমিজমবু মায় পাক্না মায়থীবা পীগে হায়রবদি পাকিষ্টানগী থৌওং অসি মায়োক্নবা চঙই হায়না খালিলজাদনা কোংগ্রেসনেল হিয়ারিং অমগী মাঙওইননা সবমিট তৌখিবা ইথোক্লবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হাউস ফোরেন এফেয়র্স কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা হায়খি।

“পাকিষ্টান : টেররিজম থেংনবদা মরুপলা নৎত্রগা য়েক্নবরা?” হায়না মিংথোনবা হিয়ারিং অদু হাউস ফোরেন এফেয়র্স কম্মিটিগী সবকম্মিটি ওন টেররিজম, নন-প্রোলিফরেসন এন্দ ট্রেদ অমসুং সবকম্মিটি ওন এসিয়া এন্দ দ পেসিফিকনা পূন্না কৌমিন্নখিবনি।

অফঘানিষ্টান অমসুং ইরাকতা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনা সর্ভ তৌখিবা খালিলজাদ জোজ দব্লিয়ু বুশকী এদমিনিষ্ট্রেসন লৈরিঙৈগী মতমদা য়ু এনদা থাবা য়ু এসকী দিপ্লোমেটসু ওইরম্মী। মহাক্না ৯/১১ গী মতুংদা টালিবানগী রেজিম চিংথুখিবদগী পাকিষ্টাননা য়াম্না থাজনিংঙাই ওইদবা অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা দবল গেম অমা শান্নরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

“লৈবাক অসিনা য়ু এসকী পার্টনর অমনি হায়না উৎথোকচৈ। অমুকসু, লৈবাক অসিনা টালিবান অমসুং অল-কাইদাগা মরী লৈনবা হকানি নেটৱার্কপু সপোর্ট তৌরি। কুমজা ২০০৫ দগী টালিবান অমসুং হকানি নেটৱার্কনা পাকিষ্টানদা অমুক পূন্দুনা গ্রুপশিং অদুগী মপাঙ্গল শাগৎখি লোয়ননা য়ু এস অমসুং অফঘান ফোর্সশিংগী মায়োক্তা শাথীরবা, মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা লালহৌ অমা চথরকখি” হায়না মহাক্না মরাল শীখি।

খালিলজাদনা হায়খি, অফঘানিষ্টানবু পাকিষ্টাননা দোমিনেট তৌবা য়ানবা ইস্লামাবাদনা টালিবানবু ইফেক্টিভ প্রোক্সি অমনি হায়না লৌই।

“ইস্লামাবাদনা অসুম্নসু থাজে মদুদি অফঘানিষ্টানদা লাল মখা তানা চথবনা য়ু এসপু লৈবাক অদুদগী ৱিথদ্রো তৌহনগনি অমসুং মদুনা হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা অমসুং প্রোক্সিশিংগী অপাম্বা মওংদা বেলেন্স ওফ পাৱরদা অহোংবা লাকহনগনি। মমৈথংদা পাকিষ্টাননা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্টবু মখোয়না হায়বা তৌদবগীদমক্তা চিংথুনবা হোৎনরি হায়না মহাক্না হায়খি। পাকিষ্টাননা মসিগী দবল গেম অসি খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়বসি খঙই তৌইগুম্বসুং মদুগী খুদোংথীবদু মেনেজ তৌবা য়াই হায়না লৌই হায়না মহাক্না ওবজার্ভ তৌখি।



HL-B/3146/18/06-17/07

# EMPLOYMENT NEWS

### UTTAR PRADESH SUBORDINATE SERVICE SELECTION COMMISSION – UPSSSC RECRUITMENT 2016

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 3210 Tubewell Operator in Chief Engineer (Mechanical) Irrigation and Water Resources Department U.P, Lucknow. Apply Online before 27 July 2016.
Advt No. : 15(3)/2016
Job Details :
Post Name : Tubewell Operator
No. of Vacancy : 3210 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-
Categories wise Vacancies :
Unreserved : 2322 Posts
OBC : 252 Posts
SC : 433 Posts
ST : 203 Posts
Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :
Educational Qualification : Candidate must have passed High School Examination from Board of High School and Intermediate U.P Allahabad or Any Examination recognised by the Government as equivalent and must have Two Years certificate in Fitter Electrician Turner Mechanic Tubwell Mechanic Tubwell boaring Technician Machinist Electrical Wireman Trade provided by Industrial training Institute (ITI).
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 40 years (As on 01.07.2016)
Job Location : Uttar Pradesh
Selection Process : Selection will be based on Interview.
Application Fee :
For Unreserved (General) & OBC Category : Rs.105/-
For SC/ST Category : Rs.65/-
Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.
How to Apply UPSSSC Vacancy : Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 08.07.2016 to 27.07.2016 (Part-I) and up to 01.08.2016 for Part-II.
Starting Date For Submission Of Online Application : **08.07.2016**
Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) : **27.07.2016**
Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) : **01.08.2016**
Closing Date for receipt of Application Fee : **29.07.2016**
Detail Advertisement Link : http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=523&flag=H&FID=1233
Apply Online : http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

### UPSC RECRUITMENT 2016 – 280 JUNIOR WORKS MANAGERS, SENIOR SCIENTIFIC ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 280 Junior Works Managers, Senior Scientific Assistant & Various Vacancies. Apply Online before 28 July 2016.
Advt. No. : 12/2016
Job Details :
Post Name : Junior Works Manager (Mechanical)
No of Vacancy : 153 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-
Post Name : Senior Scientific Assistant (Mechanical)
No of Vacancy : 27 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-
Eligible Criteria for UPSC Recruitment:
Educational Qualification :
For Junior Works Managers (Mechanical) : Degree in Mechanical Engineering /Technology from a recognised University/Institution or equivalent
For Senior Scientific Assistants (Mechanical) : Degree in Mechanical Engineering from a recognized university with one year experience in relevant field from any recognized organization or Associate Member of Institution of Engineers (Mechanical Engineering) with one year experience in relevant field from any recognized organization.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 28.07.2016
For Junior Works Managers & Senior Scientific Assistants : 30 years
Age Relaxation :
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years
Job Location : All India
Selection Process : Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
Application Fee : The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.
How to Apply UPSC Vacancy : Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 28.07.2016.
Last Date for Submission of Online Application : **28.07.2016**
Last Date for Completely Submission of Online Application : **29.07.2016**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/recruitment/advt/2016/Advt_12_16_Emp_ORA.pdf
Apply Online : http://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php

### MIZORAM PSC INVITES APPLICATION FOR THE POST OF 03 LECTURER (MCON) . APPLY BEFORE 29 JULY 2016.

Advt No. : 12 OF 2016-2017
**Job Details :**
Post Name : Upper Division Clerk (UDC)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-
**Eligibility Criteria for Mizoram PSC Recruitment :**
Educational Qualification : 1st Class Master degree in Nursing in the appropiate line of specialty of a recognized university.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 years (as on 01.07.2016)
Age Relaxation : 5 years (for SC/ST Candidates)
**Job Location :** Aizwal (Mizoram)
**Application Fee :** Application fee of Rs 320/- For General Candidates and Rs 270/- for SC/ST Candidates should be paid by cash at the Reception Counter of Mizoram Public Service Commission Office or by depositing into the Treasury under the Head- 0051-PSC, 102-State PSC (Examination Fee. etc) or by uncrossed Indian Postal Order ( IPO) drawn in favour of Secretary, Mizoram Public Service Commission.
**How to Apply Mizoram PSC Vacancy :** Interested candidates may send their applications along with attested copies of IPO/ Challan form, HSLC certificates/ mark sheets, caste certificate etc & other relevant documents to the Office of Deputy Commissioner, Mizoram Public Service Commission , New Secretariat Complex, Aizwal on or before 29.07.2016.
Last Date for Submission of Application : **29.07.2016**
**Detail Advertisement Link :** https://mpsc.mizoram.gov.in/uploads/files/advertisment-no-12-of-2016-2017-lecturer-mcon.pdf

### HIGH COURT MEGHALAYA RECRUITMENT 2016

High Court Meghalaya invites application for the post of 04 Law Clerks for a period of 1 Year under terms and conditions mentioned in Scheme for engaging Law Clerks-cum-Legal Research Assistants in the High Court of Meghalaya. Apply before 22 July 2016.
Advt. No. : HCM.II/85/2016/2313
Job Details :
Post Name : Law Clerks
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per Month)
Eligibility Criteria for High Court Meghalaya Recruitment :
Educational Qualification : Candidates must be a fresh law graduate having a Bachelor's Degree in Law (including Integrated Degree Course in Law) from any University/ College/ Institution established by law in India and recognized by the Bar Council of India.
Nationality : Indian
Age Limit : 33 years as on 01.01.2016
Job Location : Meghalaya
Application Fee : Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft in favour of Registrar General High Court Of Meghalaya Shillong Payable at Shillong.
How to Apply High Court Meghalaya Vacancy : Interested Candidates may apply in application form along with Relevent document & Demand draft send to The Registrar General, High Court of Meghalaya at Shillong, M.G Road, Pin-973001 on or before 22.07.2016.
Last Date for Submission of Application Form : **22.07.2016**
Detail Advertisement & Application form Link : http://meghalayahighcourt.nic.in/pdf/R12.pdf
Rules & Scheme : http://meghalayahighcourt.nic.in/20.pdf